অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.০৪°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.১৯°C

মণিপুরগী নোংজ্রগী চাং : ১.৩
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 80.033256 |
| US Dollar | 79.559746 |
| British Pound | 94.582126 |
| Australian Dollar | 53.494709 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.843315 |
| Japanese Yen | 0.578192 |
| Malaysian Ringgit | 17.970779 |
| Singapore Dollar | 56.610049 |
| South Korean Won | 0.060545 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.215932 |
| Thai Baht | 2.194238 |

## GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (8798905834)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking 28/06/2022**
Valid from 18/06/2022

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 25/06/2022
**BOOKING UPTO: 28/06/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 05-06-2022**
VALID FROM 01-06-2022
**STK 306**
TIME 7:00 -11:00
DELIVERY DATE 12-07-2022

**TDK GAS.**
**BK. UPTO 12/05/22.**
VF.09/05/22.STK.306.HOME DELIVERY ONLY CONTACT NOS. 8731992324.TIMING 9:00 AM TO 3:00PM.

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-09-06-2022,**
VALID FROM 22-05-2022,
**STOCK : 918**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACTNOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

# এ আরনা ইকায়খুম্নবা ...

*লামায় ১গী মখা...*এরিয়াগী মতাংদা ঙাইহাক লৈতনা থংদোক থংজিন তৌবনা কান্নরোই। এক্ট অসিগী মরুমদা তমথীবা মীহাৎতা লৈখিদ্রবশিংগী মোংফম লৈবাক অসিগী লুচিংবশিং লাকপদা খঙহনগদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা অপূনবা লূপকী কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী লুচিংবা ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা অফস্পাগী মরুমদা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা মীওই ১৫২৮ লৈখিদ্রে হায়খি। থৌদোকশিং অদুগী কেসশিংগী অচুম্বা ৱায়েল ফংবা ঙমদনা লৈরি হায়রদুনা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুগী মনুংদা থাংজম মনোরমাগী থৌদোক্লা খ্বাইদগী হেন্না তমথীবা অমসুং নুংশিনীংঙাই ওইবা থৌদোক ওইখি হায়রি।

মহাক্কী থৌদোক্তা চেন্নবা ১৭শুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিং ঙসি ফাওবা লোগী চৈরাক ফংহন্দ্রি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট এম মেমচৌবী, ত্রষ্টকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ নিলবির, পি ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ সোমানন্দ, হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর জয় চিংঙাখম, অমোভাগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানি অমদি সী এল কেগী প্রসিদেন্ট লাংদোননচিংবনা শরুক য়াদুনা লৈখিদ্রবীগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

# ককচীংগী ভিলেজ নম্বর...

*লামায় ১গী মখা...* ককচীংগী দি সী, এস পি অমসুং ককচীং পি এসকী ও সী য়াওনা ককচীং খুন্নাই চাওখৎহনবা লূপ অমসুং ককচীং বজার ভিজিলেন্ট ৱেলফেয়র এসোসিএসনবু রেসপোন্দেন্টশিং ওইহল্লগা ফাইল তৌরকখিবনি। মফম অসিদা চহী ৪০ হেনবগী মমাঙদগী লৈরক্লবা মখোয়বু মীওই খরনা থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহল্লকখিবগী মায়োক্তা কম্মিসনদা ৱাকৎলকখিবনি। কম্মিসননসু ঙসি মেট্রর অসি লৌখৎতুনা খন্নরগা মরক্কী ওইবা দিরেক্সন অসি পীখিবগা লোয়ননা রেসপোন্দেন্টশিংনা চয়োল অনীগী মনুংদা পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা পাউখুম পীরক্লবসু খঙহনখ্রে হায়রি।

## *সোসল মীদিয়া কেম্প্যেন...*

*লামায় ১গী মখা...*ঐচ টি এন্দ পি এম জে এ ৱাই মণিপুর কৌবা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম পুম্নমক্কী ওফিসল পেজ য়াওরি। সী এম ঐচ টি অসি জন্যুৱারী ২১, ২০১৮দা লায়রবা অমসুং মথৌ তাবা মীওইশিংনা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট চথুরকপদা মতেং পাংনবগীদমক হৌদোকখিবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নমনা হৌজিক ফাওবদা হীদাক কাপথোক্তবশিং য়াওরিবনা কোভিদ্পু তরাই তরাইনা লৌরোইন্দবনি হায়খি।

# ফেক এনকাউন্টরদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা হৈকৎ...

*লামায় ১গী মখা...* ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ইফভম লিংখৎখিবনি। লূপ অসিনা কেস কয়া থেংনদুনা লাক্লি। কেসশিং অদুগী মনুংদগী সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল পীবিরকপা য়াওখ্রে। সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্সন মতুংইন্না মণিপুরদা থোকখিবা এনকাউন্টরনি হায়বা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবা থৌদোকশিংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী থৌদোকশিংগা মরী লৈনবা কেসশিংগী মনুংদগী ৩৯ খনগৎলক্তুনা হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চথুরি। কেসশিং অসি সী বি আইনা লৌখৎতুনা থিজিল্লকপনি। মসিগী মনুংদা কেস ২১গী চার্জশীট থাগৎলক্লে। অদুবু কেস খরদা চেন্নরিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মথক্তা মখোয়গী ওথোরিটিশিংনা পীফম থোকপা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসনশিং পীরক্তবদগী ৱায়েল চথবা হৌবা য়াদবা য়াওরি হায়খি।

মসিমক লাইবকথীবনি হায়রদুনা মণিপুরগী ওইনদি ফরে অদুবু অফস্পাগী মরুমদা থবক তৌখিবা সিফাইশিংগীদি দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী অয়াবা পীরক্কদবদা পীরক্তবা য়াওরি। করিগুম্বা মিনিষ্ট্রি অসিনা মখোয়গী মথক্তা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীরক্লবদি থৌদোকশিং অদুগী কেসকী অচুম অরান থিদোকপদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়খি।

অদুবু হৌজিক ফাওবদা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীরক্তবদগী ঙসি ইফভমগী মায়কৈদগী গভর্ণর লা গনেসনগী খূৎথাংদা যুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

ফেক এনকাউন্টরনি হায়রিবা থৌদোকশিং অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং মরাল লৈরম্বা য়াই, লৈরম্লোই হায়বা নত্তে। তৌবতবু মখোয়গী মরালশিং অদু মমা-মপা ওইবশিংদা খঙহল্লগা মরালগী মতুং ইনবা চৈরাক পীবিফম থোকপনি হায়খি।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিনা হায়, লৈখিদ্রবশিংগী কেস ৫২৮ সুপ্রিম কোর্টতা থাঙ্গৎতুনা চঙশিল্লক্লিবা অসি শৌগৎফম থোকই। লৈবাক অসিগী মনুংদা মণিপুর য়াম্না ইকায়খুম্ননা মীওইবগী হক ঙাকপা খুন্নাই অমা ওইহন্নীংই। টি ঐচ বৃন্দাগী ৱা ঙাঙলুবা মীওইদু য়ু জি গ্রুপ অমগী ওভরগ্রাউন্দনি হায়দুনা ফাবদু মরম চাদে। মরম অসিনা মঙোন্দা লুপা লিশীং ৫০গী কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়বগী চে থাখ্রে হায়খি।

লোয়নমনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মায়কৈদগী তৌবা য়াবা কয়া লৈরিবশিং মীয়াম্না খঙবীবা চঙই। ফেক এনকাউন্টরশিংগী মতাংদসু কম্মিসনদা ৱাকৎলক্লবদি মদুগীদমক চপ চাবা পাউখুম পীরক্লবা কম্মিসননা হোৎনগনি হায়খি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা অমকিলগী প্রসিদেন্ট এল ঙানবীনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি লৈবাক অসিগী লৈঙাক্লা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা করি মীৎয়েং য়েংলিবনো হংলদুনা অফস্পানা চথখিবা থৌওং কয়া অদু য়েংলুরগা এক্ট অসি অফবা এক্টলা হংখি। লোয়নমনা ব্লেক লো অসিগী মায়োক্তা মীয়াম পুন্না চঙশিন্দুনা লাকপনি হায়খি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়গী হিংবদা চঙবা মরু ওইবা পোৎলমশিং পীবগী মহুত্তা ওৎ নৈবীবনি। চীং-তম কায়নহন্নবা হোৎনবনি। কুমজা ১৯৪৯দা লৈবাক অসিগী ফিবান্নুংদা তিল্লবসু ঐখোয়বু মখোয়গী মচা মশু ওইনা য়েংবগী মহুত্তা লানফা ওইনা উবনি। ফানিংবা মতমদা ফাবনি, ফূনীংবা মতমদা ফুবনি অমসুং হাৎপনি হায়রদুনা পীজনীংবা মতমদা পীজৈ, পীজনীংদ্রগা তোকই হায়খি।

ফেক এনকাউন্টরদা চেন্নবা মণিপুরগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগীদি প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লাম্নীশিংগী মথক্তনা পীদ্রিবা করিগীনো হংলদুনা চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংগদবনি। মরম অসিনা পীফম থোক্লিবা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীগদবনি হায়খি। থৌরম অসিদা অমকিলগী এদভাইজর আনন্দি খাঙেম্বমনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# লেন্দস্লাইদ থোক্কনবা মফম মশক খঙদোক্লবা ...

*লামায় ১গী মখা...* তোংলকখিবা মীওই ১০ অশোক অপন নংখিবনি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপী ২গী ইমুংদনা লুপা লাখ ৫/৫গী শেনফমশিং মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখিবগা লোয়নমনা ফীভম লূনা শোক্লবা মীওইশিংদনা লুপা লিশীং ৫০/৫০ পীরগা কা হেন্না অশোক অপন মায়োক্লখিদবা মীওইশিংদনা লুপা লিশীং ১০/১০গী এক্স গ্রেসিয়াগী শেনফমশিং খূৎশিন্নখিবনি।

থৌরম অদুদা শেনফমশিং অসিবু খূৎশিন্নরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং হৌজিক ফাওবদা লায়েংদুনা লৈরিব্রা হায়বদু থিদোক্লবা পাউতাক পীখিবগা লোয়নমনা করিগুম্বা মখোয়না হৌজিক ফাওবদা লায়েং চথদুনা লৈবা ওইরগদি মখোয়বু আয়ুসমান ভারত নৎত্রগা সী এম ঐচ টিগী বেনিফিসরিশিং ওইহন্নবা পাউতাকসু পীখি। শোক্লবশিংগী মনুংদগী হায়রিবা স্কিম অনীসিগী বেনিফিসরিশিং ওইনা মমিং য়াওদ্রিবা ওইরগদি য়াওহন্নবা খঙহনখিবগা লোয়নমনা মখোয়না লায়েংবদা চঙলিবা শেনফমশিং স্কিম অসিগী মখাদা পুননবা পাউতাকসু পীখি।

লোয়নমনা অঙ্গৎ অশাগী খল পাক্তক্লনা কায়থরকপা অমসুং নোং লেপ্তুনা চুখিবনা মরম ওইরদুনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা লেন্দস্লাইদ কয়া মায়োক্লখ্রে হায়রদুনা লেন্দস্লাইদ থোক্কনবা মফমশিং মশক খঙদোক্লবা জিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেসন সেন্টরগী ওফিসলশিং য়াওবা অৱাংবা থাক্কী কম্মিটি অমা শেম্লগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

থৌরমগী মনুং চন্না চীফ মিনিষ্টরনা য়ুরিয়া হার ফংদবগী থোরক্লিবা ৱাথোক্তা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা মরী লৈনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী এম এল এশিংদা মখোয় মখোয়গী কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা লৈবা লৌমীশিংগী লিষ্ট অমমম পীখৎলক্লবা মাঙজৌননা খঙহনখিবা লৈখ্রে। এম এল এশিংদা শিন্নখ্রিবা অসি এগ্রিকলচর লোয়শঙগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিংনা লৌমীশিংদা হার য়েন্থোকপদা মতম চানা ফংহন্দে হায়বগী ৱাকৎ লাকপদগীনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# হকচাংগী শরুক ১গা হকচাং ২গা ফংলে...

*লামায় ১গী মখা...* হায়নসু ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী জোইন্ট রেস্ক্যু ওপরেসন টিমদা অহেনবা ফোর্সশিং হাপচিনহন্নীংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখ্রে। লোয়নমনা মিনিষ্টরনা আর্মি, এন দি আর এফ, এস দি আর এফ অমসুং ভোলন্টিয়রশিংদা হৌজিক ফাওবদা ফংবা ঙমদ্রিবা হকচাং ৮ অসিগী শুনা ফংদ্রিবা ফাওবা চথখিগদৌরিবা হকচাং থিবগী থবক্তা মখা তানা পূক্নিং চঙনা শরুক য়াবীনবসু আপীল তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, মণিপুরদা থোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা তমথীরবা লেন্দস্লাইদকী থৌদোক অসি মায়োক্লহনখিবা অপূনবা মীওই ৭৯গী মনুংদা ১০৭শুবা বট্টালিয়ন টেরিটোরিএল আর্মি ‘বি’ কম্পেনিগী ওফিসর য়াওনা পর্সনেল ৪৩নি। অদুগা ভেনকতা সাই কন্সত্রক্সন কৌবা রেলৱেগী থবক শুবা কম্পেনি অমগীনা মীওই ২২নি। নোদর্নফ্রন্টিয়র রেলৱেগীনা মীওই ৩, বি আই পি এলগী ৩, এন আই পি এলগী ১, থৌদোক থোকফমগা নক্লনা লৈবা খুঞ্জা ৫ অমসুং অতোপ্পা মীওই ২নি। অদুবু ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা হকচাংশিংগী খোঙ্গুল লীবগী থবক্তা মতমগা চুনবা খূৎশু খূৎলায়শিং ফাওবা শীজিন্নদুনা হোৎনরকখ্রবসু থা অসিগী ৫, ৭, ৮ অমসুং ১০দদি হকচাং অমত্তা ফংবা ঙমখিদবনি। মসিনা মরম ওইরদুনা হৌজিক ফাওবা হকচাং ওইনা ফংবা ঙমদ্রিবা খুঞ্জা খরগী ইমুং মনুংনা জোইন্ট রেস্ক্যু টিমগী থবক্তা পেন্দবা ফোঙদোকপগী ৱাফম লৈখ্রবনি।

# এম এল এ রামেশ্বরনা ৱাকৎলকপদগী হায় কোর্টনা এক্স এম ...

*লামায় ১গী মখা...* ফাইল তৌখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদু কোর্টনা খন্নরবা মতুংদা মরী লৈনবা এক্ট/রুলগী মতুংইন্না মায় পাক্তুনা পিটিস্নর এম রামেশ্বরনা ককচীংগী এম এল এ ওইরক্লবসু ইলেক্সন পিটিসন অদুগী চথখিবা ৱায়েলদা এম এল এ ওইরম্বা ৱাই সুরচন্দ্রনা কোর্টনা মহাকপু মচিন হংখিবদা অরানবা ৱাফমশিং পাউখুম ওইনা পীখি। মসিগীদমক মহাকপু আই পি সীগী সেক্সন ১৯১, ১৯৬ অমসুং ২০০গী মখাদা মরালগী মতুংইন্না চৈরাক পীফম থোকই হায়দুনা মহাক্লা ফাইল তৌবদগী মায় পাক্তুনা এম এল এ ফাওবা ওইখ্রবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০১৭ অদুগা মরী লৈনবা ‘মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ২৪ ওফ ২০২০’ অমুক্কসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবনি।

হৌজিক চৎলিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা মীখলদা অমুক্কসু মায় পাক্লক্তুনা এম এল এ অনীরক ওইরক্লবা পিটিস্নর এম রামেশ্বরনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলিবনা মহাক্লা ৱাই সুরচন্দ্রনা এম এল এ ওইরিঙৈদা ফাইল তৌখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী ৱায়েলগা মরী লৈননা ৱাই সুরচন্দ্রনা ইভিদেন্সশিং কোর্টতা পীবদা থৌওইনা/অতম্মনা অরানবা ৱাফমশিং কোর্টতা ফোঙদোকখি হায়না চার্জ তৌখি।

এম রামেশ্বরগী ৱাকৎ অদুগী মতুংইন্না ৱাই সুরচন্দ্রনা বি জে পিদা য়াওদুনা মীং চল্লবা ফাওবদা মহাক ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী) দা অদুমক লৈরি হায়বা ৱাফম কোর্টতা লান্না ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

এম রামেশ্বরনা কুমজা ২০১৭তা ৱাই সুরচন্দ্রনা এম এল এ ওইরিঙৈদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০১৭ অদুগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস অসিসু হায় কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নখি। কোর্টনা মেট্টর অসি খন্নরকপদা পিটিস্নর ওইরিবা এম রামেশ্বরগী মায়কৈদা কাউন্সেল দেবেন্দ্র শর্মানা লেপখি। অদুগা মেট্টর অসিগী হিয়ারিংশিং কোর্টনা হন্দক পাঙথোকখিবা ১২শুবা এসেমব্লি মীখলগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুং অনৌবা লৈঙাক ফাওবা শেম্বা লোইশিনখ্রগা চৎলিবা চহীসিগী এপ্রিল ৫ অমসুং ২৫দা পাঙথোকখি। অদুগা এপ্রিল ২৫, ২০২২দা পাঙথোকখিবা মিসেলিনস কেস অসিগী অরোইবা ৱায়েল নুমিৎতা রিজার্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা জুন ৬, ২০২২দা লাউথোকখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা পূন্না লমায় ৩৪ পানবা ৱায়েল অদুদা কোর্টনা ৱায়েল অসি পীখিবা নুমিৎ (জুন ৬, ২০২২) বু ফংবা নুমিৎতগী পারগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটনা চয়োল ১২গী মনুংদা এক্স এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্রগী মথক্তা ইনক্কারি অমা মপূং ফানা চথবা লোইশিনগদবনি অদুগা মসিগী রিপোর্ট অমা হায় কোর্টতা পীখৎলক্কদবনি হায়খি।

মসিগীদমক হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রিনা মিসেলিনস কেস অসিগী কোপিশিং য়াওনা ৱাই সুরচন্দ্রনা ফাইল তৌরকখিবা রিটর্ন ওবজেক্সন অমসুং রিপ্লাই এফিদেভিটনচিংবগী কোপিশিংসু সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পীননবা দিরেক্সন পীখি।

লোয়নমনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটনা এক্স এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্রগী মথক্তা ইনক্কারি চথবা মতমদা মঙোন্দা মতিক চাবা অমসুং মরম চাবা মতমশিং পীননবসু খঙহনখি। কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অদুদা মিসেলিনস কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা এক্স এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্র থবক্তগী পোত্থারবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমা ওইরম্বদা নত্তনা অচুম্বা অশেংবা ঙাঙনবগী ৱাশক্লা পুনশিনবা মীওইনি হায়রদুনা মহাক্লা অরানবা ষ্টেটমেন্ট/ইভিদেন্স পীখিবগী প্রাইমা ফেসি লৈরে হায়রদুনা অসিগুম্বা থবক অসি চথবগীদমক মহাকপু আই পি সীগী সেক্সন ১৯৩গী মখাদা চৈরাক পীবা য়াই হায়রি।

মরম অসিনা কোর্টনা মসিগী মতাংদা মিসেলিনস কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা ৱাই সুরচন্দ্রগী মথক্তা কমপ্লেন্ট কেস লৌখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মপূং ফাবা ইনক্কারি অমা চথবা মথৌ তারে হায়খি। অদুম ওইনমক ইনক্কারি অসি চথরকপদা মহাক মশাদসু মথৌ তাবা খুদোংচাবশিং পীগদবনি হায়খি।

কোর্টকী ৱায়েলদা কন্ত্রাদিক্টরি ওইবা ষ্টেটমেন্টশিং পীবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীবা দিরেক্সনশিং লৈরি হায়রদুনা অচুম্বা ফংহন্নবগীদমক অরানবা ইভিদেন্স পীবা অমসুং পব্লিক জষ্টিস সিষ্টমগী মায়োক্তা ওফেন্স চথুবা মীওইশিংগী মথক্তা ইনক্কারি চথনবা সী আর পি সীগী সেক্সন ৩৪০ (১) গী প্রোভিজননসু অখন্নবা পীরি হায়বা ৱাফমসু হায় কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অসিদা পল্লি।

# কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপশিংগী মনুংদা চহী নৌরিবা অঙাংশিং ...

*লামায় ১গী মখা...* মখোয়গীদমক লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

মতাংসিদা পনবা য়াবদি, জেনিমসতা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৩ অদুগী মনুংদা অমনা মশাগী চহী ৮৬ শুরবা নুপানি। অদুগা লেমহৌরিবা পোজিটিভ কেস ২না মশাগী চহী শুপ্নতগী ১৬ অমসুং ১৭ খক্তমক ঙাইরিবা নুপামচাশিংনি হায়রি।

মসিগা ইরোয়নমনা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই অমত্তগী পুন্সি মাঙখিদবনা হান্নদগী লৈরকপা অপূনবা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীং ২১২০ অদুদগী হেনগৎলকপা লৈত্রি।

অদুবু হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কেস মশীংনা ১,৩৭,৪৮৪ শুরে। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩২,৪৭০নি। অদুগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০১৪নি। অপূনবা ফগৎলকখ্রবশিংগী মশীংনা ১,৩৫,১৯২নি। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩০,১৮৫ ওইরগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০০৭নি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৩৩দা হন্থরক্লে।

অমরোমদা, লায়না অসিবু মায়োক্লনবা লেপ্তুনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটি শিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ১১২নি হায়রি। অদুবু এক্টিভ কেসশিং হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবগা লোয়নমনা নুমিৎ খুদিংগী থেংনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং য়াম্না নেম্না হন্থরুবদগী জে নিমস অমসুং রিমসতা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক অখন্নবা খাক্তুনা থম্লক্লিবা ফমুংশিং মথৎশিংনা ১০০ অমসুং ৪৭ ওইরম্বদু জেনিমসকীদি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী ফমুং ১৪দা হন্থহনখ্রগা রিমসকীদি ফমুং ৪৭ অদুমক খাক্তুনা থম্লি হায়রি। অদুবু এক্টিভ কেসকী মশীং ১৭২ শুরক্লবসু অয়াম্বনা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈনখিবনা ঙসি ফাওবদা খাক্তুনা থম্লক্লিবা কোভিদ পেসেন্টশিংগী ফমুংশিংগী মনুংদা জেনিমসতা পেসেন্ট ৫ খক লৈবা নত্তনা অতৈ ফমুংশিংদি হাঙদুনা লৈরি হায়রি।

অদুগা ঙরাং খক্তদা মীওই ১৭৪ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না হীদাক কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী মশীং ২৯,৮৪,৪৭৮ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৫,৯৮,০৭৯নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২,৬৬,৫৪৬নি। অদুগা প্রিকোস্নরি দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,১৯,৮৫৩নি হায়রি।

অদুগা জুলাই ১০, ২০২২ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৭৩.৯২, অনীশুবা দোজ ৬১.২৯, চান্দেল অহানবা দোজ ৭৬.২৭, অনীশুবা দোজ ৭০.০৯, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৬৩.৫২, অনীশুবা দোজ ৬০.৯০, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৭৬.২৫, অনীশুবা দোজ ৬৫.২৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭৭.৮২, অনীশুবা দোজ ৬৮.১৭, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩৬.২৫, অনীশুবা দোজ ৩১.৪১, তমেংলোং অহানবা দোজ ৪৪.৩৭, অনীশুবা দোজ ৩৫.৭৬, থৌবাল অহানবা দোজ ৬২.৩৩ অনীশুবা দোজ ৫৩.৬৭, উখ্রুল অহানবা দোজ ৪২.২৪, অনীশুবা দোজ ৩১.৬৩, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৯.৪৭, অনীশুবা দোজ ৩৮.০৯, কাংপোকপী অহানবা দোজ ২২.৮৪, অনীশুবা দোজ ১৭.৫৯, কামজোং অহানবা দোজ ৩৮.৬৪, অনীশুবা দোজ ৩০.৯৩, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭৩.১৭, অনীশুবা দোজ ৬১.৭২, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩৬.৭৭, অনীশুবা দোজ ৩৯.৪৬, নোনে অহানবা দোজ ৪৩.৫৫, অনীশুবা দোজ ৩৪.৭৯, ককচীং অহানবা দোজ ৭৮.৩৫, অনীশুবা দোজ ৬৭.৭৭নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৬২.০১নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৫৩.৩৮নি হায়রি। লোয়নমনা কোভিদ কন্ট্রোল রুমগী টোল ফ্রী ফোন নম্বরনা ১৮০০-৩৪৫৩-৮১৮নি হায়রি।

# মোইরাংগী এম এল এ, থোঙাম শান্তিগী অপুনবা লন...

*লামায় ১গী মখা...* লৈখি। তরুকশুবদা আই সী আই সী আইগী একাউন্টদা লুপা ২০,৮৭,১৪৩ লৈখি।

মহাক্কী মুচ্যুল ফন্দ ফোলিওদা লুপা ১৫,৬২,৬২৮; টাটা এ আই এ লাইফ ইন্সুরেন্সতা লুপা ৫,০০,০০০; টাটা এ আই এ লাইফ ইন্সুরেন্সতা লুপা ৪,০০,০০০; টাটা এ আই এ লাইফ ইন্সুরেন্স পোলিসিদা লুপা ২,০০,০০০ অমদি এল আই সী ইন্সুরেন্স পোলিসিদা লুপা ৫,০৫,৩১৮ ইনভেষ্ট তৌবগী রিপোর্ট অমসু য়াওরি। লোয়নমনা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা মুচ্যুল ফন্দ ফোলিওদা ১৫,৬০,৬৩৪; এল আই সী ইন্সুরেন্স পোলিসিদা লুপা ৫,০০,৬৫৯ অমদি এল আই সী ইন্সুরেন্স পোলিসিদা লুপা ২,০০,৮৭০ ইনভেষ্টমেন্ট তৌখি। মহাক্কী মীংদা কুমজা ২০১৪দা চাওরাক্লা লুপা ৭,০০,০০০ লোম ওইগদবা বোলেরো অমা লৈখি। কুমজা ২০০৬তনা চাওরাক্লা লুপা ৩,০০,০০০ লোম ওইগদবা গেটজ কার অমা লৈখি। কুমজা ১৯৯৩দনা চাওরাক্লা লুপা ১,১০,০০০ লোম ওইগদবা মারুটি ৮০০ অমা লৈখি। লোয়নমনা মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদনা কুমজা ২০১৩দা চাওরাক্লা লুপা ৫,০০,০০০ লোম ওইগদবা হুইন্দাইগী সোনাটা কার অমা লৈখি। কুমজা ২০১৫দনা চাওরাক্লা লুপা ১,০০,০০০ লোম ওইগদবা নেনো কার অমসু লৈখি হায়রি।

এম এল এ থোঙাম শান্তিগী মীংদা চাওরাক্লা লুপা ২,৮০,০০০ লোম ওইগদবা সনা তোলা ৫গী গোল্ড চেন অমা লৈ। লোয়নমনা চাওরাক্লা লুপা ২,২৪,০০০ লোম ওইগদবা সনা তোলা ৪গী গোল্ড মরি লৈ। মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদনা চাওরাক্লা লুপা ২,৮০,০০০ লোম ওইগদবা সনা তোলা ৫গী গোল্ড নেকলেস অমা লৈ। চাওরাক্লা লুপা ৫,৬০,০০০ লোম ওইগদবা সনা তোলা ১০গী গোল্ড নেকলেস অমা লৈ। চাওরাক্লা লুপা ২,৮০,০০০ লোম ওইগদবা সনা তোলা ৫গী গোল্ড ইয়র রিং অনী লৈ। চাওরাক্লা লুপা ২,৮০,০০০ লোম ওইগদবা সনা তোলা ৫গী গোল্ড ব্রেসলেটস অনী লৈ। চাওরাক্লা লুপা ২,২৪,০০০ লোম ওইগদবা সনা তোলা ৪গী গোল্ড ফিঙ্গর রিং (বিগ) অহুম লৈ। চাওরাক্লা লুপা ১,১২,০০০ লোম ওইগদবা সনা তোলা ২গী গোল্ড ফিঙ্গর রিং (স্মোল) অহুম লৈ। মহাক্কী মীংদা লাইসেন্স গন ওইনা রিভোলভর অমা অমদি দবল বেরেল গন অমসু লৈ। এম এল এ থোঙাম শান্তিগী লন থুমগী অপুনবা শেনফম অসি লুপা ২,৪১,৮৩,৪৬১ ওইখি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগী লন থুমগী অপুনবা শেনফম অসিনা লুপা ১,৯৭,৮৯,৬৫২ ওইখি হায়রি।

মহাক্কী মীংদা এগ্রিকলচরেল লেন্দা ঙাংখলৱাইদা স্কৱার ফিট ৫৪৪৫০; স্কৱার ফিট ৬৩৫৯৮; মোইরাংদা স্কৱার ফিট ৮১৪৫৭ ; স্কৱার ফিট ৫৪৪৫০ অমদি ঙাংখলৱাইদা স্কৱার ফিট ৮১০২২ লৈ। মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদনা এগ্রিকলচরেল লেন্দ ওইনা মোইরাংদা স্কৱার ফিট ২২৩০২৭.১৮অমদি স্কৱার ফিট ১১২৮২০.৩৯ লৈ। মহাক্কী মীংদা নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দা মোইরাংদা স্কৱার ফিট ২১৮ ; ঙাংখলৱাইদা স্কৱার ফিট ২৭০০৭.২০; মোইরাংদা স্কৱার ফিট ১০৮৯.৩১; স্কৱার ফিট ১৩০৬.৮০ অমদি স্কৱার ফিট ৬০৫৪৮.৪০ লৈ হায়রি। মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দা ঙাংখলৱাইদা স্কৱার ফিট ১১২৮২০.৩৯ অমদি স্কৱার ফিট ২৬১৩৬০ লৈ হায়রি। মহাক্কী মীংদা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং মোইরাংদা স্কৱার ফিট ২১৭৭.৫৪ অমদি শঙাইপ্রৌদা স্কৱার ফিট ৪৩৫৬ লোম পাকচাওবা লমদা লৈ। লোয়নমনা মহাক্কী লোয়নবী মীংদা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং মোইরাংদা স্কৱার ফিট ১৭৪২.৪০ লোম পাকচাওবা লমদা লৈ হায়রি। মহাক্কী টোটেল ওফ করেন্ট মার্কেট ভেল্যু অসি লুপা ১,৪৮,৫০,০০০ নি অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগীনা লুপা ১,২০,০০,০০০ ওইখি হায়রি।

মহাক্কী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস অমত্তা পেন্দিং লৈতে। কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল্দগী রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী টোটেল ইনকম অসি লুপা ৭,৮২,৯২০ ওইখি। মহাক্কী লোয়নবীসু চহী অসিমক্তদা টোটেল ইনকম অসি লুপা ৪,৯৬,০২০ ওইখি হায়রি।

BSNL
Connecting India

/Advertisement for Rural Distributors
Imphal, the 11th July 2022

No. NE2MNP/15/S&M CM/11/21 : Applications are invited from interested persons for engagement of Rural Distributors (RD) in Manipur Business Area for sale of BSNL products and services (consumer mobility). Retired BSNL/DoT/MTNL employees and spouse/son/daughter of working employees may also apply. The Rural Distributors will get commission/incentives based on their performance from sale of the BSNL products & services. The eligibility ccnditions are as below :

- Minimum Educational qualification : 8th pass
- Desirable : Individuals who own rural shop or distributors of any products preferably FMCG products/electronics/mobile

Interested applicants may contact ***Assistant Director (Markeging) O/o the GMTD, BSNL Manipur BA, Babupara, Imphal - 795001*** on or before 30th July 2022.

*For any query, please contact : 0385-2443557, 9436022157, 9436022166 - Asstt. Director (Marketing) email : admktgmnp@gmail.com*

HL-B/7733/12

KINGDOM
EDUCATIONAL INSTITUTE ™
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute



**Special Class for X, XI, XII Appeared Students**

**IT & SKILL COURSES**
- Computer (NIELIT)
- Spoken Hindi
- Spoken English

**AVIATION COURSES** 2nd Batch –10th Jun, 22
- Cabin Crew
- Ground STAFF

Get trained under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
- 21 yrs Teaching Experience
- 1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer
- 3 mths at IT Call Centre as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur)
- Multiple Schools & Colleges As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
- 2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal

www.kingdomeduinstitute.com 7005622203 / 8837407726
Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College

HL-B/7705-24June to 21 Aug (alt.)